

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, SUNDAY, JUNE 24, 2018 **PAGE 7**


*ফ্রেঞ্চ দেবিস কপ টিমগী অহানবা নুপী কেপ্টেন ওইখ্রবা মমাঙদা নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবী আমেলি মোরেসমো*

*১৮শুবা কুমার সুরেন্দ্র সিংহ সুটিং চেম্পিয়নসিপকী নুপীগী মিটর ৫০ গী রাইফল থ্রি পোজিসনদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রবী গায়াত্রি নিথিয়ানন্দম*

# *ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮, রুশিয়া*

## *বেলজিয়মনা টুনিসিয়াবু পাঞ্জল ৫–২ দা থোইদুনা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌখ্রে, মেক্সিকো অমসুং স্বিটজরলেন্দসু মায় পাকখ্রে*

*মোস্কো, জুন ২৩ঃ*

রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা শান্নরিবা ফিফা ৱার্ল্ড ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'জি' গী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা বেলজিয়মনা টুনিসিয়াবু পাঞ্জল ৫–২ দা থোইদুনা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌখ্রে। মেক্সিকো অমসুং স্বিটজরলেন্দসু মখোয়–মখোয়গী গ্রুপ মেটচশিং মায় পাক্তুনা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবগী লম্বেল নকশিনখ্রে।

বেলজিয়ম অমসুং টুনিসিয়ানা শান্নখিবা গ্রুপ 'জি' গী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং হেনখি।

শান্নবগী ৬শুবা মিনটতা বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা ইদেন হেজার্দনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা টুনিসিয়াবু ঙন্না ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারিবা বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংনা শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা চথ্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী মরুওইবা শান্নরোই রোমেলু লুকাকুনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা টুনিসিয়াবু ২–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

পাঞ্জল অনী শোথ্থরবা টুনিসিয়াগী শান্নরোইশিংনা কন্না হোৎনদুনা শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোই দিলান ব্রোননা শোথ্থরম্বা পাঞ্জল অনীগী মনুংদা অমা হন্দোকপা হৌখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং ইনজুরি টাইমগী অহুমশুবা মিনটতা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা রোমেলু লুকাকুনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৩–১ দা টুনিসিয়াবু হেল্লগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদসু পাঞ্জল মাঙজিল থারিবা বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংনা এটেক তৌবগী চাং হেনখি। শান্নবগী ৫১শুবা মিনটতা বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংনা তৌশিল্লকখিবা এটেক অমদা ইদেন হেজার্দনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা টুনিসিয়াবু ৪–১ দা হেন্দুনা লৈখি।

মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৯০শুবা মিনটতা বেলজিয়মগী শান্নরোই মিচি বাটসুয়ায়িনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা টুনিসিয়াবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৫–১ দা হেন্দুনা লৈখি।

মেটচ অদুগী ইনজুরি টাইমগী অহুমশুবা মিনটতা টুনিসিয়াগী শান্নরোই ৱাহবি খাজরিনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখ্রবসু মেটচ অদু বেলজিয়মনা টুনিসিয়াবু পাঞ্জল ৫–২ দা মায়থিবা পীদুনা গ্রুপকী মকোক ওইদুনা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি।



*বেলজিয়মগী টুনিসিয়াবু মায়থিবা পীরবা মতুং নোক ষ্টেজ য়ৌখিবদা টিম অদুগী শান্নরোইশিংনা হরাওবা ফোঙদোকপা*



*স্বিটজরলেন্দগী শান্নরোই ঝেরদান সাকিরিনা সর্ভিয়াগী মায়োক্তা অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা মতাং*

ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'এফ' কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মেক্সিকোনা সাউথ কোরিয়াবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা নোক ষ্টেজ য়ৌবগী লম্বেল নকশিনখ্রে।

মেক্সিকো অমসুং সাউথ কোরিয়ানা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌরকপদা য়াম্না লম্বা মান্নরমখি। অহানবা হাল্ফকী শান্নবা মিনট ২০ হেন্না হৌজিনখ্রবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদে।

শান্নবগী ২৬শুবা মিনটতা মেক্সিকোগী শান্নরোইশিংনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা টিম অদুগী শান্নরোই কার্লোস ভেলানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা সাউথ কোরিয়াবু ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনট ১৯ রোমগী মতম অদুদা সাউথ কোরিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবা অমদি মেক্সিকোগী মায়কৈদগীসু মখা তাবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমখিদবদগী হাল্ফ অদু লোইশিনখিবদা মেক্সিকোনা সাউথ কোরিয়াবু পাঞ্জল ১–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারিবা মেক্সিকোনা মখা তানা অহেনবা পাঞ্জল থিদুনা সাউথ কোরিয়াগী মায়োক্তা এটেক চথ্থরকখি।

শান্নবগী ৬৬শুবা মিনটতা মেক্সিকোনা চথ্থরকখিবা এটেক অমদা জেবিয়র হর্নান্দেজনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা সাউথ কোরিয়াবু ২–০ দা মাঙজিল তাখি।

পাঞ্জল অনী শোথ্থরবা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনদুনা মেক্সিকোগী মায়কৈদা বোল পুশিন্দুনা এটেক কয়া তৌথিবা অদু মেক্সিকোগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমখিবদগী পাঞ্জল চনবা ঙমদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ লোইশিনখি।

ইনজুরি টাইমগী অহাপ্পা মতম শান্নরকপদা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোইশিংনা কন্না হোৎনদুনা অহুমশুবা মিনটতা টিম অদুগী মরুওইবা শান্নরোই হিয়ুং মিন সোননা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখ্রবসু মেটচ অদু মেক্সিকোনা মখোয়বু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবগী লম্বেল নকশিনখি।

রুশিয়াগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ 'ই' গী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা স্বিটজরলেন্দনা সর্ভিয়াবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবগী লম্বেল নকশিনখ্রে।

শান্নবগী ৫শুবা মিনটতা সর্ভিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথ্থরকখিবা এটেক অমদা আলেকসান্দর মিত্রোভিসনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা স্বিটজরলেন্দবু ঙন্না ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

পাঞ্জল অমা শোথ্খিবা স্বিটজরলেন্দগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনদুনা সর্ভিয়াগী মায়কৈদা বোল পুশিন্দুনা এটেক তৌবা হৌরকখি। অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা স্বিটজরলেন্দগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫২শুবা মিনটতা স্বিটজরলেন্দগী শান্নরোই গ্রানিট ঝাকানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নদুনা লৈখ্রবা মতুং স্বিটজরলেন্দগী শান্নরোই ঝেরদান সাকিরিনা মেটচকী ৯০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেটচ অদু স্বিটজরলেন্দনা সর্ভিয়াবু ২–১ দা থোইখি।



*সাউথ কোরিয়াগী গোল কিপর মায়থিবা পীদুনা মেক্সিকোগী শান্নরোই জেবিয়র হর্নান্দেজনা অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা*

| MATCH ON 24-06-2018 | |
|---|---|
| **Group G** | |
| Panama vs England | 05:30pm |
| **Group H** | |
| Senegal vs Japan | 08:30pm |
| Poland vs Colombia | 11:30pm |

# মেন্স হোক্কি চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়ানা পাকিস্টানবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীখ্রে

*ব্রেদা, জুন ২৩ঃ*

নেদরলেন্দসনা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি ব্রেদাদা ঙসিদগী শান্নবা হৌখিবা মেন্স চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কিগী অহৌবা মেটচতা ইন্দিয়ানা পাকিস্টানবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীদুনা কেম্পেইন হৌখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টাননা ঙসি শান্নখিবা মেন্স হোক্কি চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী অহৌবা মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টর হৌরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি।

অহানবা ক্বার্টরগী মিনট ১৫ গী মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অমনা অমগী গোল এরিয়াদা বোল পুশিন্দুনা এটেক তৌনদুনা শান্নরকখ্রবসু পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লোইশিনখি।

অনীশুবা ক্বার্টর হৌরকপদা ইন্দিয়াগী হোক্কি শান্নরোইশিং অদুনা পাকিস্টানগী শান্নরোইশিং অদুবু লাকশিনবা ঙমখি। শান্নবগী ২৬শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা রমনদিপ সিংহনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা পাকিস্টানবু ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা অহুমশুবা ক্বার্টর অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথ্থরকখিবা এটেক কয়া পাঞ্জল ওইবা ঙমদনা লাকখি। অমরেমাদা পাঞ্জল অমা শোথ্থরবা পাকিস্টানগী শান্নরোইশিংনা শোথ্থরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা বোল পুশিন্দুনা এটেক তৌরকপশিং অদু ইন্দিয়াগী দিফেন্সরশিংনা ফজনা মখোয়গী গোল এরিয়া অদু ঙাক–শেন্দুনা লৈখিবদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা ক্বার্টর অদুদা টিম অনীনা মখা তানা শান্নরকপদা পাঞ্জল অমা শোথ্থরিবা পাকিস্টানগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা কন্না হোৎনখিবশিং অদু ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংনা অরেম্বা তাহন্দুনা লাকখি।

মতম কুইনা টিম অনীগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৫৪শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথ্থরকখিবা এটেক অমদা দিলপ্রিত সিংহনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ইন্দিয়ানা পাকিস্টানবু পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল অনী মাঙজিল থারিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা শান্নবগী ৫৭শুবা মিনটতা মখা তানা চথ্থরকখিবা এটেক অমদা মন্দিপ সিংহনা য়াম্না ফজবা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা পাকিস্টানবু খূৎ হনবা ঙম্লোইদবা মওংদা থমখি।

শান্নবগী অরোইবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা পাকিস্টানগী মায়োক্তা মখা তানা চথ্থরকখিবা এটেক অমদা ললিত উপাধ্যেনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেন্স হোক্কি চেম্পিয়ন্স ট্রোফি অসিগী অহানবা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা পাকিস্টানবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীখি।

ইন্দিয়ানা মখোয়গী অনীশুবা মেটচ অদু হয়েং আর্জেন্টিনাগা লম্বা তৌনরগনি।

মেন্স হোক্কি চেম্পিয়ন্স ট্রোফি অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা আর্জেন্টিনানা নেদরলেন্দসপু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু নেদরলেন্দসকী শান্নরোই মিরকো প্রুইজসরনা শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই গোঞ্জালো পৈলাটনা শান্নবগী ৩৪শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চল্লবা মতুং মেটচকী অরোইবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোই মাটিয়াস পারেদেসনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা নেদরলেন্দসপু ২–১ দা থোইখি।



*ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি শান্নরোইশিংনা পাকিস্টানগী মায়োক্তা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকমিন্নবা*

# বিনা দেবী কোইজম অমসুং সিব থাপা উলানবান্টর কপ্তা ব্রোঞ্জ মেডল ফংহৌরে, ইন্দিয়াগী বোক্সর ৫ ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লি

*উলানবান্টর, জুন ২৩ঃ*

মোঙ্গোলিয়াগী সিটি উলানবান্টরদা চথ্থরিবা উলানবান্টর কপ বোক্সিং টুর্নামেন্টতা মণিপুরদগী হৌখিবা নুপী বোক্সর বিনা দেবী কোইজমগা লোয়ননা সিব থাপা ব্রোঞ্জ মেডল ফংহৌরে, অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৫ ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লি।

বিনা দেবী কোইজমনা নুপীগী কেজি ৪৮ গী কেটেগোরিদা শরুক য়াদুনা ঙসি থিন্নখিবা সেমি ফাইনেল বাওটদা সাউথ কোরিয়াগী বোক্সর কিম কুম সুনগী মখূত্তা মায়থিহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেডল ফংহৌবনি।

নুপাগী কেজি ৬০ গী কেটেগোরিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী সিব থাপা ঙসি থিন্নখিবা সেমি ফাইনেল বাওটতা মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সর বাট্টুমুর মিসিল্টকা য়াম্না লম্বা মান্নখিবা বাওট অদুদা মায়থিহৌবদগী মহাকসু ব্রোঞ্জ মেডল ফংহৌখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর ভানলিম্পুয়া (কেজি ৭৫) অমসুং আসিস (কেজি ৬৪) সু সেমি ফাইনেল বাওটশিংদা মায়থিহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেডল ফংহৌবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং অদুদি সোনিয়া লাথর (কেজি ৫৭), মন্দিপ জঙ্গ্রা, লোভলিনা বোরগোহেন (কেজি ৬৯), হিমানসু শর্ম্ম (কেজি ৪৯) অমসুং মুহমেদ ইটাস খান (কেজি ৫৬)নি।

সোনিয়া লাথরনা চাইনাগী টিয়ানটিয়ান ঝাওবু সেমি ফাইনেল বাওটদা য়াম্না হেনবা মওংদা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেলদা মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সর টুমুরখুয়াক বোলোরটুলগা থিন্নরগনি।

লোভলিনানা সেমি ফাইনেলদা মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সর ইনখবাটার ইরদেনেটুয়াবু মায়থিবা পীল্লগা ফাইনেলদা চাইনিজ তাইপৈগী বোক্সর নিয়েন চেন চেনগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী বোক্সর হিমানসু শর্ম্মনা ঙসি থিন্নখিবা সেমি ফাইনেল বাওটদা থাইলেন্দগী বোক্সর সামেক সেহানবু পোইন্ট ৩–২ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেলদা ইরানগী বোক্সর ওমিদ অহমাদিসাফাগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী বোক্সর মন্দিপ জঙ্গ্রানা মহাক্কী ফাইনেল বাওটদা মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সর সেন্দ আয়ুস ওটগোন ইরদেনিগা থিন্নরগনি। অদুগা মুহমেদ ইটাস খাননা ফাইনেলদা অতোপ্পা মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সর মুনখবাটারগা লম্বা তৌনরগনি।



বিনা দেবী কোইজম

# ক্বিন্স ক্লব চেম্পিয়ন্সিপ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক অমসুং সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিস লম্বা তৌনরগনি

*লন্দন, জুন ২৩ঃ*

ইংলেন্দগী কোনুং লন্দনদা চথ্থরিবা ক্বিন্স ক্লব চেম্পিয়ন্সিপ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক অমসুং সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিস লম্বা তৌনরগনি।

ক্বিন্স ক্লব চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক্না ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিওসপু টাই ব্রেক সেট অনীদা ৭–৬(৭–৩), ৭–৬(৭–৪) দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৱাইল্ড কার্দ এন্ট্রি ওইনা শরুক য়ারকখিবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা ফ্রান্সকী জেরেমী চার্দিবু ৭–৬(৭–৫), ৬–৪ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা অনীশুবা সিদেদ পেয়র ফিনলেন্দগী হেনরি কোন্টিনেন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন পিয়র্সনা বৃটেনগী পেয়র কে এদমুন্দ অমসুং এন স্কুপস্কিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৭–৬(৭–৫), ৫–৭, ১০–৬ তা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইংলেন্দগী সিটি বিরমিংঘামদা পাঙথোকপা দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা বিরমিংঘাম ক্লাসিক্কী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা স্লোভাকিয়াগী মাগদালেনা রাইবারিকোভা অমসুং ৪শুবা সিদেদ জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভা লম্বা তৌনরগনি।

স্লোভাকিয়াগী মাগদালেনা রাইবারিকোভানা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী সেমি ফাইনেল মেটচতা জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৭–৬(৭–১), ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা ৪শুবা সিদেদ জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভানা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা রোমানিয়াগী মিহেলা বুজারনেস্কুবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৩, ৬–২ দা থোইরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা অহানবা সিদেদ পেয়র হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস অমসুং ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোভিসনা ৪শুবা সিদেদ জেক রিপব্লিক্কী পেয়র বি ক্রেজসিকোভা অমসুং কে সিনিয়াকোভাবু ৭–৫, ৭–৬(৯–৬) দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।